# ইস্লামিষ্ট টেররিষ্ট এটেক্তা গনমেন য়াওনা ৪ শিরে, ২ ফারে

ভিয়েন্না, নবেম্বর ০৩ (এজেন্সী):

ওষ্ট্রিয়া কেপিটেল ভিয়েন্নাদা চথখিবা ইস্লামিষ্ট টেররিষ্ট এটেক্কি হায়বা থৌদোক অমদা মশক খঙদবা গনমেন অমা নৎত্রগা গনমেন্ট খরনা মীওই মরি হাৎখ্রে। পুলিসনা থৌদোক অদুদা চেন্নবশিং থি-হুম্বা চথখিবগা লোয়ননা চিংনবা মীওই অনী ফাগৎখ্রে।



অয়ুক অঙনবদা টেলিভিজনদা শন্দোকখিবা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ইন্টরিয়র মিনিষ্টর কার্ল নেহম্মরনা মীয়ামদা লম্বীদা থোক্লদনবা অপিল তৌখি। মিনিষ্টর অসিনা হায়খি মদুদি পুলিসনা নিংথৌকাবগী অহিংদা এটেক্কর অমা কাপ্পুনা হাৎখ্রে। মীওই অদু মশাদা এক্সপ্লোসিভ বেল্ট য়াওরমখি। তৌইগুম্বসুং মদু শীশিন্নবা ওইরমখি। ওথোরিটিশিংনা মহাক ইস্লামিক ষ্টেটকী সিম্পেথাইজর অমনি হায়বসি খঙবা ঙমখি। অতৈ গনমেনশিং চেন্নরম্বা য়াবগী চিংবা লৈখি।

নুপা অনী অমসুং নুপী অমা য়াওনা মীচম অহুম হাৎখ্রে অমসুং য়ামদ্রবদা অতৈ মীওই ১৫ অশোক-অপন নংলে হায়বসি পুলিসনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কনফার্ম তৌখি।

পুলিসগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়খি মদুদি নক্লবা টাউন সেন্ট পোইল্টনদা মীওই অনী ফারে। খুৎলায় মতিক চানা পায়বা পুলিস কাঙবুনা য়ুম অনীদা চঙদুনা থি-হুমখি।

উহৌবা কয়না ফোঙদোকখিবদা নিংথৌকাবগী অহিংদা বারশিংদা লৈরিবা মীওইশিংদা ওটোমেতিক রাইফলশিংনা কাপ্পখি। লৈবাক শীন-থুংনা কোরোনাভাইরস লাইচৎ লাকশিন্নবগী কর্ফিয়্যু হৌদ্রিঙৈগী মমাং হৌখিবা নুমিদাংদা মীয়াম্না বারশিংদা চঙদুনা মতম লেন্নখি। থোঙ লোল্লিবা মরু ওইবা সিনাগোসকী মপান্দগী হৌরগা সেন্ট্রেল ভিয়েন্নাগী মফম তরুক্তা এটেক চথখি।

সক্লোমো হোফমিষ্টর কৌবা ভিয়েন্নাগী রেলিজির্য়স ওজা অমনা মহাক গনমেন অমদগী হেল্লমগনি হায়বসি চপ চানা হায়বা ঙমদে হায়খি। য়ামদ্রবদা ওফিসর ১০০০ রোম্না থি-হুম্বগী থবক্তা শরুক য়াখি হায়না পুলিসকী স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা গভর্নমেন্টনা লৈবাক পুম্বগী ওইনা নুমিৎ হুম্নি অৱাবা ফোংদোক্কনি অমসুং নুমিৎ য়ুংবা মতমদা মিনিট অমা তুমিন্না লৈগনি হায়না লাউথোকখি।

ভিয়েন্নাগী ফল্টর পাউচেগী এদিটর ফ্লোরিয়ন ক্লেজা ত্বিটরদা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না পুলিসনা কাপ্পদা শিখিবা চহী ২০ গী লেঙ্গা ওইগদবা এটেক্কর অদু নোর্থ মেসিদোনিয়াদগী লাক্লগা ওষ্ট্রিয়াদা লৈবা ইথনিক অলবেনিয়নশিংগী মচানি। মহাক দোমেষ্টিক ইন্টেলিজেন্স এজেন্সিনা খঙবা সিরিয়াদা চৎনবা হোৎনখিবা ওষ্ট্রিয়ন ইস্লামিষ্ট ৯০গী মনুংদা অমনি।

# য়ুনাইটেদ ষ্টেটস প্রসিদেন্টগী মীখলদা মীয়াম্না ভোট থাদনখ্রে, ন্যু হম্পসিয়রদা ভোট থাদবা হৌখি

ৱাশিংটন, নবেম্বর ০৩ (এজেন্সী):

য়ু এসগী ন্যু হম্পসিয়র ষ্টেটকী টাউন মচা অনী দিক্সভিল নোটচ অমসুং মিলসফিল্ডদা অহানবা বেলোটশিং থানখিবগা লোয়ননা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না প্রসিদেন্টগী মীখল ভোট থাদনখ্রে।



ভোটরশিংনা প্রসিদেন্টগী ফমগীদমক মখোয়গী অপাম্বা খনদুনা ভোট থাদনখি। মখোয়না ন্যু হম্পসিয়ারগী গভর্নর অমসুং ষ্টেট লেজিসলেটিভ সীটশিংগী মীহুৎশিংসু অহিং নোংয়াইদা ভোট থাদবা হৌরগা খনগদৌরিবনি। চৎনবী অসি কুমজা ১৯৬০ দা দিক্সভিল নোটচতা হৌখি। দিক্সভিল নোটচকী বালসামস রিজের্টতা লৈবা বেলোট রুমদা মফম অদুগী ভোটর মঙাখক্কী মনুংদা অমনা অহানবা বেলোট থাদখি।

পুন্সি চুপ্পা রিপব্লিকান অমা ওইনা লৈগনি হায়না ফোংদোকচখিবা ওতেন কৌবা ভোটর অদুনা হায়খি মদুদি হন্দক্কী মীখল অসিদা মহাক্না রিপব্লিকান অমা ওইরিবা প্রসিদেন্ট ট্রম্পকী মহুত্তা দেমোক্রেটিক প্রসিদেন্সিএল নোমিনি জো বাইদেনদা ওইনা ভোট পীখি হায়খি। কেন্দিদেট অমা ওইনা বাইদেনবু ইশ্যু কয়াগী মতাংদা য়ানিংদবা লৈদুনসু অমেরিকানশিংগী য়ুনিটি শাগৎপগী মতম ওইরে খন্দুনা মহাক্না বাইদেনদা ভোট পীরিবনি হায়না ওতেন্না মখা তাখি।

দিক্সভিল নোটচতা অতৈ ভোটর মরিসু বাইদেনদা ভোট পীখি। অমরোমদা মিলসফিল্ডদদি ট্রম্পপু ভোট ৫গী মায়োক্তা ১৬না শৌগত্তুনা ভোট পীখি।

রিয়েলক্লিয়র পোলিটিক্সকী পোলিং এভরেজগী মতুং ইন্না লৈবাক্কী ওইনা বাইদেন্না ট্রম্পতগী পার্সেন্টেজ পোইন্য ৬.৭ হেন্দুনা চৎলি। তৌইগুম্বসুং দেমোক্রেটিক নোমিনিনা ট্রম্পতগী হেনবগী চাংসি ফ্লোরিদা, নোর্থ কেরোলিনা, পেনসিলভেনিয়া, মিচিগান, ৱিসকোন্সিন অমসুং অরিজোনা য়াম্না নক্না লম্বা তৌনরিবা মীখলগী লান কল্লিবা ষ্টেটশিংদদি শুপ্নগী চাদা ২.৮ নি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা ট্রম্পনা নোর্থ কেরোলিনা, পেন্সিলভেনিয়া, মিচিগান অমসুং ৱিসকোন্সিগী কেম্পেন রেলিশিংদা শরুক য়াখি। অমরোমদা, বাইদেন্না নুমিৎ অসিদা ওহাইওদা চৎখি অমসুং মীখলগী মাঙওইনবা নুমিত্তনা পেন্সিলভেনিয়াদা কেম্পেন তৌখি। ইষ্ট কোষ্টতা লৈবা অচৌবা সিটিখরদদি পোলিং ষ্টেসনশিং লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৬ (লোকেল মতম)দা হাংখি। মদুগী তুংদা লৈবাক শীন-থুংনা ভোট থাদনবা হৌখি। খ্বাইদগী থেংনা ভোট থাদগদবা অলাস্কানি। য়ু এস ইলেক্সন প্রোজেক্টকী খ্বাইদগী নৌবা টেলিগী মতুং ইন্না মীখল নুমিৎকী মাঙওইননা অমেরিকান ভোটর মিলিয়ন ৯৮ দগী হেনবনা ঙন্না ভোট থাদখি।

# বলিষ্টিক মিসাইল কাপ্পা য়াবা অমা য়াওনা নোর্থ কোরিয়ানা সবমেরিন অনী শারি : লোমেকর

সিওন, নবেম্বর ০৩ (এজেন্সী):

নোর্থ কোরিয়ানা বলিষ্টিক মিসাইলশিং কাপ্পা ঙম্বা অমা য়াওনা অনৌবা সবমেরিন অনী শারি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সাউথ কোরিয়াগী লোমেকর অমনা ফোঙদোকখ্রে।



লোন্না পাঙথোকখিবা সাউথকী নেসনল ইন্টলিজেন্স সর্ভিসকী ব্রিফিং অমদা শরুক য়ারবা মতুংদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

নোর্থ কোরিয়াগী অচৌবা সবমেরিন ফ্লীট অমা লৈদুনসু মদুদা বলিষ্টিক মিসাইল কাপ্পা ঙম্বা চাংয়েংগী সবমেরিন অমত্তমক য়াই।

পার্লিয়ামেন্টকী ইন্টলিজেন্স কম্মিটিদা য়াওবা ওপোজিসন পার্টিগী লোমেকর অমা ওইরিবা হা তে-কিয়ুংনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা, নোর্থ কোরিয়ানা শারিবা সবমেরিনশিংদুগী মনুংদা অমদি সবমেরিন-লোঞ্চ বলিষ্টিক মিসাইল (এস এল বি এম) অমা পুবা ঙম্মী। অমনা শেমদোক্লবা রোমিও ক্লাসকী সবমেরিননি অমসুং অতোপ্পদুনা ময়াইওইরপ চাওবা অনৌবা সবমেরিন অমনি।

নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র অমসুং বলিষ্টিক মিসাইল প্রোগ্রামশিংগা মরী লৈননা কুমজা ২০০৬ তগী লৈবাক অসিদা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা অথিংবা কয়া থমদুনা লাকখি। কুমজা ২০১৮ দগী নোর্থ কোরিয়াগী লিদর কিম জোং উন অমসুং য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা অহুল্লক উনবা লৈখ্রে। তৌইগুম্বসুং অথিংবা থম্বা লেপকদবনি হায়বা নোর্থ কোরিয়াগী দিমান্দ অমসুং প্যোংয়াংনা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং থাদোক্কদবনি হায়বা য়ু এসকী ৱাফম্না মরম ওইদুনা ৱারী শানবদু খুমাং চাওশিনবা ঙমখিদে।

কুমজা ২০১৯গী জুলাইদা নোর্থ কোরিয়াগী ষ্টেট মিদিয়ানা নৌনা শাবা অচৌবা সবমেরিন অমা কিমনা য়েংশিনবগী শক্তম উৎকি। নোর্থ কোরিয়ানা সবমেরিন অদুগী খুৎলায় সিষ্টেমশিং ফোঙদোকখিবা লৈত্রবসু এনালিষ্টশিংনদি ভেসেল অদুনা চাওরিবদুগী চাং য়েংলগা মদু মিসাইলশিং পুনবগী মওংদা দিজাইন তৌবা মাল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

মতম খরা লৈরগা চহী অদুমক্তদা নোর্থ কোরিয়ানা সমুদ্রদগী কাপ্পুনা অনৌবা এস এল বি এম অমা মায় পাক্লা চাংয়েং তৌরে হায়না লাউথোকখি। হৌখিবা থাদনা লৈবাক অসিনা প্যোংয়াংদা পাঙথোকখিবা মিলিটরি পেরেদ অমদা অনৌবা এস এল বি এম দিজাইন অমা উৎখি।

# ইরানগী য়ু এস পোলিসি মীখলদা কারকপদুগা থোইদোক্না মরী লৈনদে

দুবাই, নবেম্বর ০৩ (এজেন্সী):

ৱাশিংটনগা মরী লৈনবা টেহরানগী পোলিসিদা য়ু এসকী প্রসিদেন্সিএল মীখলগী ফলনা অহোংবা লাকহনগদব লৈতে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ইরানগী সুপ্রিম লিদর অয়াতোলা অলি খামেনৈনা ফোঙদোকখ্রে।



য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা মরী লৈনবা ঐখোয়গী পোলিসিদি য়াম্না নাখৈ শেংদুনা শেমদুনা লৈ অমসুং ফম পাইবা মী হোংলগা পোলিসি অসিদা অহোংবা লাক্লিঙাই ওইদে ষ্টেট টি ভিদা লাইভ ওইনা শন্দোকখিবা স্পীচ অমদা খামেনৈনা ফোঙদোকখি।

খামেনৈনা ৱাফম অসি কুমজা ১৯৭৯ দা টেহরানদা লৈবা য়ু এস এম্বেসি সীজ তৌখিবগী কুমওন নুমিৎতা ৱা ঙাঙলদুনা ফোঙদোকখিবনি। নুমিৎ অসি ইস্লামগী প্রোফেট মোহমদগী মপোক নুমিৎসু তারি।

হকচিনবা ৱাখল চেল্লবা ইস্লামিষ্ট মহৈরোয়শিংনা এম্বেসি অদুদা থোমজিন্দুনা ষ্টাফ ৫২ নুমিৎ ৪৪৪ ফাজিন্দুনা থমখিবা থৌদোক্তুগী মতাংদা পল্লদুনা খামেনৈনা হায়খি মদুদি মহৈরোয়শিংনা স্পাইশিংগী মকোন অদুদা এটেক তৌখিবদু খ্বাইদগী হেন্না মরম চাই অমসুং অশিংবা মতৌ উৎপা খোঙথাং অমনি। মতমদুদগী য়ু এস অমসুং ইরানগী মরক্তা দিপ্লোমেটিক মরী তৎনদুনা লাকখি।

কোরোনাভাইরস লাইচৎনা মরম ওইদুনা চহী অসিগী ওইনদি ইরান্না এম্বেসি সীজ তৌখিবদুগী কুমওনগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদবা রেলিশিং অমসুং অতৈ থৌরমশিং কেন্সেল তৌখি। লাইচৎ অসিদা হৌজিক ফাওবদা ইরানিয়ন ৩৬,০০০ রোম শিখিবগা লোয়ননা মিদল ইষ্টতা ইরান্না লাইচৎ অসিনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহনবা লৈবাক ওইরি।

ইরান্না কুমজা ২০১৫ গী ন্যুক্লিয়র দিলগী ৱারোলশিং অমুক হন্না ইল্লকপা তারবদি য়ু এসনসু দিল অসিদা অমুক হন্না য়াওগনি হায়না দেমোক্রেটিক নোমিনি জো বাইদেন্না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। ইরানগী ন্যুক্লিয় প্রোগ্রাম কন্ট্রোল তৌবগী ফিভমদা লৈবাক অসিগী মায়োক্তা মালেম্না থল্লিবা শেল-থুমগী অথিংবশিং লৌথোকপগী ৱাফম য়াওরিবা দিল অসিবু কুমজা ২০১৮ দ প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা তোকখিবনি।

ট্রম্পনা পাল্লিবদি ইরানগী মিসাইল প্রোগ্রাম অমসুং রিজনেল এক্তিভিটিশিংবু কন্ট্রোল তৌগদবা হেন্না চাওবা একোর্দ অমা পুরকপা অসিনি। ইরানগী ওইনদি ৱাশিংটন্না অমুক হন্না দিল অসিদা হল্লক্ত্রিমখৈ নিগোসিএসন অমত্তা চথররোই হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

# মীয়াম্না পৱার শিন্নরক্লবদি বিহারগী অনীংবা-অপাম্বশিং থুংহনগনি : প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি

ফোরবেসগঞ্জ, নবেম্বর ০৩ (এজেন্সী):

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ওপোজিসন পার্টিশিংনা খুন্নাইবু খাইবুং-খাইবুং তাহল্লগা অমসুং পাম্বে অমা হেক্তা শীজিন্নরগা শুপ্নগী মীখলদা মায় পাক্লবা হোৎনবগী থৌওং চথৈ হায়না মরাল শীখ্রে।



মীখলগা মরী লৈনবা মীয়ামগী রেলি অমদা ৱা ঙাঙলদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা ওপোজিসনবু মরাল শীবা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না মখা তানা হায়খি মদুদি হৌখিবা এন দি এ লৈঙাক্কী মতমদা বিহারদা মীয়ামগীদমক্তা তঙাই ফদবা ফেসিলিটিশিং লৈহনবা ঙমখি। হৌজিক্লা করিগুম্বা মীয়াম্না মীখল অসিদা এন দি এদা লৈঙাক্কী পৱার শীন্নরক্লবদি ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী অনীংবা-অপাম্বা খুদিংমক থুংহনগনি।

প্রাইম মিনিষ্টনা কোংগ্রেসকী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর রাহুল গান্ধি অমসুং রাষ্ট্রিয়া জনতা দল (আর জে দি)গী চীফ তাজেশ্বরি য়াদবপু চৈ থাংখি। মখোয়গী মমিংশিং পন্দবীদা মোদিনা হায়খি মদুদি বিহারগী মীয়াম্না বি জে পি অমসুং জে দি য়ুগী দবল এঞ্জিন গভর্নমেন্টপু খন্দুনা জঙ্গল রাজ অমসুং দবল য়ুবরাজ রিজেক্ট তৌখ্রে। ঙসি লৈরিবা কোংগ্রেসকী ফিভমদি হৌজিক পার্টি অসি রাজ্য সভা অমসুং লোক সভাদা এম পি ১০০ ফাওবা লৈতে।

ওপোজিসন পাটিশিংবু চৈরদুনা মোদিনা হায়খি, ওপোজিসন্না শুপ্নগী খুন্নাইবু খাইবুং-খাইবুং তাহনবগা লোয়ননা অফ-ফত্তা থীদনা পাম্বে অমা হেক্তনা ভোট কানবা হোৎনগদবনি হায়বসিদগী হেন্না খঙদে। মখোয়না মীয়াম্বু লুট তৌরি। তৌইগুম্বসুং লৈবাক অসিগী মীয়াম্না হৌজিক্তি অচুম্বা খঙলে।

দবল এঞ্জিন গভর্নমেন্টনা ষ্টেট অসিবু হেন্না য়াংনা চাওখৎহনগনি হায়রদুনা মহাক্না রাহুল গান্ধি অমসুং তাজেশ্বরি য়াদবগী মমিং পন্দবীদা বিহারগী মীয়াম্না জঙ্গল রাজ অমসুং দবল 'য়ুবরাজ' য়াখিদ্রে হায়খি।

মোদিনা মখা তানা হায়খি মদুদি এন দি এগী মায়োক্তা লৈরিবশিংনা অমুক হন্না বিহারদা মীহৌবগী মীৎয়েংগা লোয়ননা য়েংলক্লি। তৌইগুম্বসুং বিহারগী মীয়াম্না কনানা ষ্টেট অসিগী চাওখৎহনবগী ৱাফম লুনা লৌবগে অমসুং মখোয়গী ইমুংবু চাওখৎহন্নবা কন্না লুনা খনবগে হায়বসি খঙই। ঙসিদি ইমুং অমনা পানবগী থৌওং মায়থিবা পীদুনা দিমোক্রেসিনা মায় পাকপগী ফিভমদা লাক্লি। হৌখিবা চহী অসিদা বিহারগী য়ুমথোং খুদিংমক ইলেক্ট্রিসিটি অমসুং গ্যাস কন্নেক্সনশিং ফংহনখি। হৌজিক্তি কুমজা ২০২১ দগী কুমজা ২০৩০ ফাওবা অসি বিহারগী মীয়ামগী অহেনবা অনীংবা অপাম্বশিং থুংহনবগী মতম ওইরগনি। ইলেক্ট্রিসিটি গ্রিদ অমসুং ৱাটর গ্রিদকী মতুংদা গ্যাস গ্রিদ কন্দেক্তিভিটি হেনগৎহনবদা মীৎয়েং থল্লি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়া, য়ু এস, জপান অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা অচৌবা নেভেল এক্সর্সাইজ হৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৩ (এজেন্সী):

ইন্দিয়া, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, জপান অমসুং ওষ্ট্রেলিয়না চহী ১০ হেনবগী মনুংদা অহানবা ওইনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মখোয়গী খ্বাইদগী চাওবা অপুনবা নেভেল এক্সসাইজ হৌখ্রে হায়না ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী সোর্সশিংনা ফোঙদোকখ্রে।



লমদম অসিদা উরিবা চাইনাগী চাওরবা মিলিটরি অমসুং ইকনোমিক পৱার শীংনবা ঙম্নবগীদমক্তা লৈবাক মরিগী ওইবা অপুনবা নেভেল এক্সরসাইজ অদু লাংখিবনি হায়না লৌনরি। ইন্দিয়ানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং জপানগা লোয়ননা চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা 'মালাবার' ৱারগেমশিং চহী অসিগী ওইনদি ক্বাদকী মেম্বর খুদিংমক কোনশিনবা ওইনা ওষ্ট্রেলিয়াসু য়াওহন্দুনা হেন্না পাকথোক-চাওথোকহনখি। ক্বাদ হায়বসি ইন্দো-পেসিফিক লমদমগী খ্বাইদগী চাওবা, দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক মরিগী ওইবা ইনফোর্মেল গ্রুপ অমনি।

চাইনানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু কোল্ড ৱারগী ৱাখল্লোন অমসুং মরম চাদবা আইদিওলোজিদা য়ুম্ফম ওইরগা মীচংশিংগী মরক্তা কম্মন ফ্রন্ট অমা শেম্নবা হোৎনদুনা লাক্লি হায়না মরাল শীবা লৈখ্রে। ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সকী মতুং ইন্না অপুনবা এক্সারসাইজ অদুদা ইন্দিয়ন নেভিনা সবমেরিন অমা য়াওনা জহাজ মঙা দিপ্লোই তৌকি। য়ু এস নেভিগী ওইনা এক্সরসাইজ অদুদা জোন এস মেক্কেন মিসাইল দিষ্ট্রোয়র, ওষ্ট্রেলিয়াগী ওইনা বালারেট ফুগেট অমসুং জপানগী ওইনা দিষ্ট্রোয়র অমনা শরুক য়াখি।

নবেম্বর ৬ ফাওবা চথগদৌরিবা দ্রিলশিং অদুগী অহানবা তাঙ্কক মনুংদা কোভিদ-১৯গী অথিংবশিং লৈবনা মরম ওইদুনা লৈবাক মরিগী মিলিটরি পর্সনেলশিংগী মরক্তা তোৎন-শম্নবগী থৌওং লৈরোই।

মিলিটরি সোর্স অমগী মতুং ইন্না, থা অসিগী অথেংবা শরুক্তা ইন্দিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা দ্রিলশিং অদুদা এয়রক্রাফট করিয়রশিং দিপ্লোই তৌগনি। এক্সরসাইজ অসিদা মরুপ-মপাং ওইবা নেভিশিংগী মরক্তা লৈরিবা অৱাংবা থাক্কী সিন্নর্জি অমসুং কোওর্দিনেসনগী ফিভম অদু উৎকনি। মরুপ-মপাং ওইবা নেভিশিংগী মরক্তা লৈরিবা মরী অসি মান্নবা ৱাখল্লোনশিংগা লোয়ননা অমগা অমগা থাজনবা অমদি ইন্দো-পেসিফিক্কী প্রোব্লেমশিং লমদম অসিগী লৈবাকশিংনা পুন্না থেংনমিন্নবা অমসুং রুলশিংদা য়ুম্ফম ওইবা ইন্টরনেসনল ওর্দরদা থাজবা থম্নবদা য়ুম্ফম ওইরগা মরী অসি শেমগৎখি হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

থৌবু ওইরিবা ইন্দিয়ানা য়েৎনরিবা বোর্দর লমদা চাইনাগা মিলিটরিগী মুক্নবা লৈরিঙৈদা লৈবাক মরিগী নেভেল এক্সরসাইজ অসি পাঙথোক্লিবনি। ওষ্ট্রেলিয়াগা চাইনাগা লৈনরিবা দিপ্লোমেটিক মরীসু চহী অসিদা কানবেরানা কোরোনাইভাইরস পেন্দমিক্কী মতাংদা ইন্টরনেসনল ইনক্বাইরি অমা চথনবা অপিল তৌখিবা মতুংদা হেন্না শোকচিল্লক্লি। জপানসু ইষ্ট চাইনা সীগী ঈথৎ খরগী মতাংদা চাইনাগা য়েৎনদুনা লৈরিবনি।

# লৈখিদ্রবা দোক্তরগী সনাগী লিক, মোবাইল ফোন আই সী য়ুদগী হুরানখ্রে

গুৱাহাতি, নবেম্বর ০৩ (এজেন্সী):

দিব্রুগরগী লৈখিদ্রবা দোক্তর অমগী ইমুংনা অসাম মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটাল (এ এম সী ঐচ) কী ওথোরিটিশিংবু দোক্তর অসিনা লৈখিদ্রবা মতুং থা অমা হেল্লক্লফাওবা মহাক্কী পোৎ-চৈশিং হনবীরক্ত্রে হায়না মরাল শীখ্রে।

অনিল তামুলি কৌবা দোক্তর অদু জোকাই মোদেল হোস্পিটালদা থবক তৌবনি। মহাক কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন টেষ্টতা পোজিটিভ ওইরমদুনা এ এম সী ঐচতা এদমিট তৌখি। মহাক লায়না অসিনা মরম ওইদুনা হৌখিবা সেপ্তেম্বর ৩০ দ শিখ্রে। অদুমওইনমক মহাক্না শিখ্রবা মতুংদা মহাক্কী পোৎ-চৈ অদু মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংদা হল্লকখিদে। মহাক্না শীজিন্নখিবা অমসুং মশাদা য়াওখিবা পোৎ-চৈশিং অদু হোস্পিটাল অদুগী কোভিদ আই সী য়ুদগী মাঙখি।

লৈখিদ্রবা দোক্তর অসিগী মচানুপী অন্না তামুলিনা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্কী অপোকপনা লৈখিদবা থা অমা শুরবা ফাওবা মহাক্কী পোৎ-চৈশিং অসি ওথোরিটিশিংনা ইমুংদা শীন্নরকখিদে।

হীরম অসিগী মতাংদা ঐখোয়না পুলিসতা কমপ্লেন্ট তৌবগা লোয়ননা এ এম সী ঐচ হোস্পিটালগী প্রিন্সিপালদা খঙহনখ্রে। সী সী টি ভি কেমেরাশিং খিন্দুনা লৈরিবা হোস্পিটাল মনুংদা অসিগুম্বা থৌদোক থোকপা ঙক্লিংঙাইনি। ঐহাক্কী ইপাগী পোৎ-চৈশিং হোস্পিটালগী ষ্টাফনা হুরানখিবনি হায়বসি শেংলে হায়না অন্না তামুলিনা ফোঙদোকখি।

## মেঘালয়াগী ওজাশিংনা ইরাং হৌগনি হায়না কিহনখ্রে

শিল্লোং, নবেম্বর ০৩ (এজেন্সী): ষ্টেট গভর্নমেন্টনা পীথোক্তনা লৈরিবা থা মরিগী ওজাশিংগী তোলোপ অথুবা মতমদা পীথোক্লবা তকশিল্লদুনা ওল গোরো হীলস এস এস এ স্কুল টিচর্স এসোসিএসন (এ জি ঐচ এস এস এ এস টি এ)না অমুক হন্না মেঘালয়াগী চীফ মিনিষ্টর কে সংমাদা অইবা চেরোল থাজিনখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা চেরোল অদুদা ওজাশিংগী বোদি অদুনা হায়, এস এস এ ওজাশিংগী তোলোপশিং চহী অসিগী জুলাইদগী পীরক্ত্রি। অসুন্না তোলোপ পীবিদবা অসিনা ইমুংগী অমসুং অঙাশিংগী তঙাই ফদবশিং লৈনবা শেল লৈতবদগী ঐখোয়দা পুক্লিং হকচাংগী অমসুং শেল-থুমগী অৱাবা চাওনা পীরে। কোরোনাভাইরস পেন্দমিক্কী মতম অসিদা ফাওবা তোলোপ ফাজিন্দুনা থম্মী হায়নসু ওজাশিংনা চেরোল অদুগী খুথাংদা পেন্দবা ফোঙদোকখি।

HL-P/7788/21/10-19/11


## GOVERNMENT OF MANIPUR
## MEDICAL DIRECTORATE

ꯆꯦꯛꯁꯤꯟꯍꯟꯕ / NOTIFICATION

Imphal, the 3rd November, 2020

No-104/1/2020-DHS: In pursuance of the Secretariat: Health Department letter No.MED-1806/2/2020-HS-HEALTH: dated 3rd November, 2020, all the NEET-UG, 2020 qualified and eligible candidates of Manipur are informed that the Application Form for counselling for selection and nomination of candidates of MBBS/BDS/BASLP courses 2020 will be available at the Medical Directorate, Lamphelpat on the following dates and time:

| Sl. No. | Activity | Date |
|---|---|---|
| 1 | Issue of Application Forms | 3rd to 7th November, 2020 |
| 2 | Last date of submission of Application Form | On or before 11th November, 2020 |
| 3 | Issue of Acknowledgement Card | 16th to 20th November, 2020 |
| 4 | 1st Counselling | 25th November, 2020 (Wednesday) |
| 5 | 2nd Counselling | 7th December, 2020 (Monday) |
| 6 | Mop up 1st round | 14th December, 2020 (Monday) |
| 7 | Venue of counselling | Main Auditorium Hall, JNIMS, Porompat |
| 8 | Cost of Application Form | Rs.650/- for Gen/OBC and Rs.400/- for ST/SC |

**Further information of the counselling process will be uploaded on our official website: www.manipurhealthdirectorate.in or can be had from this Directorate.**

Sd/- **Director of Health Services, Manipur**



## MBBS AT ABROAD

Since:2003 | *Admission Open 2020* | ISO 9001:2015-QCS-2020-JREC-12453

**Bangladesh, Kazakhstan, Kyrgystan, Russia, Phillipines, Ukraine**

Free counselling for higher education ABROAD

*MCI & NEXT Coaching Centre at IMPHAL*

*"Free Clinical Practices at JR Clinic Health Centre during Vacation"*

*NB: For Admission in China the NMC & Ministry of Education China has not published the list of Medical University for the session 2020/21.*

INDIA/ MALAYASIA

MBBS, BDS, Nursing, B.Tech, B.Pharm, Management

*JR Clinic Health Centre*
Minuthong Hatta Telipati Road River Bank
Imphal, Manipur

*JR International Education Consultant*
*(A.S.Education Trust)*
Khergao Thambalkhong Near Cambridge School
Imphal, Manipur

#+91 8974084294/ 8787659341/8399087121 0385-3560172



OFFICE OF THE PRINCIPAL

## KUMBI COLLEGE, KUMBI: MANIPUR
(Govt. Aided)

ꯑꯍꯥꯡꯕ ꯊꯥꯛ ꯈꯡꯍꯟꯕ / ADVERTISEMENT

Kumbi, the 3rd November, 2020

No.KC/2/Apptt-(S)/1981: Applications on plain paper along with bio-data and relevant certificates are invited from qualified candidates for appointment to the following posts lying vacant in Kumbi College, Kumbi, Manipur as detailed below:

**A. Teaching Staff:**

| Sl. No. | Name of Post/Subject | No. of Post | Minimum Educational Qualifications |
|---|---|---|---|
| 1. | English | 02 | On the basis of UGC RR (2018) |
| 2. | Manipuri | 01 | -do- |
| 3. | Economics | 01 | -do- |
| 4. | Botany | 01 | -do- |
| 5. | Chemistry | 02 | -do- |
| 6. | Mathematics | 01 | -do- |
| 7. | Statistics | 02 | -do- |
| 8. | Physics | 01 | -do- |
| 9. | Computer Science | 05 | -do- |
| 10. | Geography | 05 | -do- |
| 11. | Physical Education | 05 | -do- |

**B. Non-teaching Staff:**

| Sl. No. | Name of Post | No. of Post | Minimum Educational Qualifications |
|---|---|---|---|
| 1. | Office Assistant | 03 | BA/BSc with computer knowledge |
| 2. | Laboratory Assistant | 05 | BA/BSc (with concerned subject in + 2) |
| 3. | Bookman | 02 | Matriculation upwards |
| 4. | Field Man | 01 | Matriculation upwards |
| 5. | Multi Tasking Staff | 04 | Matriculation |
| 6. | Store Keeper | 01 | Matriculation |
| 7. | Mali | 01 | Matriculation |
| 8. | Sweeper | 02 | Matriculation |

**The last date for submission of application duly supported by relevant documents is the 17th November, 2020.**

**N.B.: Candidates are requested to bring all relevant documents (in original) relating to educational qualifications from HSLC Examination onwards at the time of interview, the date of which will be intimated later on.**

Sd/- **K. Jugeshor Singh**
Principal,
Kumbi College, Kumbi Manipur

HL-P/7986/4